# ফিজিকেল এদ্যুকেসনিষ্ট মিষ্টর মণিপুর টাইটল পায়রম্বা মঙলেম্না লৈখিদবদা

—লৈশাংথেম অজিৎ—

*মণিপুরদা* অর্ম রেষ্টলিং অমসুং ষ্ট্রেঙথ লিফটিং হৌদোক্লম্বা, কুমজা ১৯৭৮দা মিষ্টর মণিপুর মীংথোল ফংখিবা শিংজমৈ ওক্রম লৈকায়দা লৈবা লৈতোংবম মঙলেমনা মনুং মতম চাদনা হৌখিবা চহী ২০১৮গী দিসেম্বর ১৭তা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিনা লমদম অসিগী শান্ন-খোৎনবদা পূক্লিং হকচাং কৎথোকখিবা মরুওইনা মশা-মউ ফবা বোদি বিল্ডরগী লম্‌দা লমদম অসিগী নহারোলশিংবু মতিক মথৌনা হাপ্তুনা লমজিংবিরম্বখক্তা নত্তনা অতৈ মশান্না কয়া মণিপুরদা অনৌবা ওইনা পুশিনবিরক্তুনা নহারোলশিংদা তাকপী-তম্বীদুনা লমদম অসিগী কাচিন কোয়া য়ৌনা শান্নহনখিবা মতম কুইনা মহাক্কী মমিং অসি মণিপুরগী শান্নবগী পুৱারীদা লৈহৌরগদবা মমল য়াম্লবা নুপা অসিনা মতম চাদনা লৈখিদবদা লমদম অসিগী চাউনা মাঙজবা অমা ওইরি। লৈখিদ্রবা লৈতোংবম মঙলেম শিংজমৈ কৈথেলগী থোং ৱাংমদা লৈবা চোংথাম ইবোয়াইম হায় স্কুলদগী মেত্রিক পাস তৌরবা মতুংদা মণিপুর কোলেজদগী বেচেলর ওফ সাইন্স (বি এস সী) দিগ্রী লৌখি। মথং তারকপদা মহাক্লা মহারাষ্ট্রগী অম্ব্রাবতিদা (চহী অমগী দিপ্লোমা কোর্স) ফিজিকেল এদ্যুকেসন্দা মায় পাক্লা তম্লুরবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টরেট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী ওফিসতা ফিজিকেল এদ্যুকেসন টিচর (পি ঈ টি) ওইনা থবক চঙখি। চহী খরগী মতুংদা দিপার্টমেন্ট অসিনা মহাকপু অম্ব্রাবতিদা অমুক হন্না থাদুনা কুমজা ১৯৯২দা মাষ্টর ইন ফিজিকেল এদ্যুকেসন হায়বদি অশম্বীদা এম পি ইদ **(MPEd)** তম্লুনবা থাখি। মদুদা মহাক্লা ফর্ষ্ট ক্লাস ফংদুনা লাকখি।

মহাক্কী অপোকপা লৈতোংবম পিশক মনুং মতম চাদনা মহাক্লা অঙাং ওইরিঙৈদা লৈখিদে। মহাক ওজা ওইরম্মী। মহাক্কী মমা ইবেম্মা কৈনাহনবীনা মচিন মনাও অনী মঙলেম, দেবেন অমসুং মচননুপী বিনা, মখোয় অহুম অসিবু মহৈ-মশীন তমহনবগা লোয়ননা মখোয়বু চাউনবা য়োকপদা অৱা-অনা কয়া মায়োক্লরকখি। মপূরোইবা ঙন্না লৈখিদ্রবী নুপীশিংনা মচাশিংবু মহৈ-মশীন তমহন্দুনা লৈবাক্কী লুচিংবা ওইহনখিবা, ডোক্তর, এঞ্জিনিয়র অমসুং মশক নাইবা মীওইশিং ওইহনখিবগী ৱারীশিং ঐখোয়না ৱারী লাইরিক্তগী খঙনরি অমদি উনরি। মসিমক মঙলেম্বু অপোকপীনা মচাশিংবু শোয়খিদনবা কূপ্না শেন্নদুনা মখোয়না মতিক চাবা মী ওইখিবা অসি ময়েক লারবা খুদম অমনি।





মঙলেন ৱাঙাঙ ফজবা, লমচৎ, থকসি-খাসি ঙাক্লা চৎপা, ৱা কন্না ঙাঙদবা, মীঙোন্দা চৈ থাংবা হৈতবা, মশাগী ওইজ-ওইথক পামদবা ওফিসর অমনি। মহাক্কা থবক তৌমিন্নবা মথক থোংবা অমসুং মখা থাবশিংনা মহাপু অচম্বা, মথৌ নিংথিনা তৌবা, হোৎনবা কনবা, বোদি বিল্ডিংগী মরমদা থোইদোক হেন্দোক্লা খঙবা নুপা অমনি হায়না ইকায়খুম্নে। মহাক্লা থৱায় য়াওনা মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্তুনা মতিক চাবা নুপা অমা ওইবদগী মহাকপু য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্মেন্টগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইনা প্রমোসন পীদুনা জিরি দিষ্ট্রিক্টক্লচিংবা মফমদা পোষ্টিং থাবিখি।

শেল থুমগী ফীভমদা খরা শোণ্থরবসু মহাক্লা য়াম্না ৱানা পৈশা তুংশিন্দুনা মমাদগী শেনফম খরা লৌরগা কোলকত্তা/গুৱাহাটিদগী শাজেল তৌনবা য়োৎকী প্লেটশিং অমসুং বার (য়োৎচৈ) চেন্দুনা শাজেল নিংথিনা তৌবা হৌখি। কুমজা ১৯৭০গী মতম অদুৱাইদা শিংজমৈগী অকোয়বদা অরূম্বা থাঙ্গত্তুনা শাজেল তৌনবা শান্নফম লৈরমদে। মদুদা লৈকায়গী নুপামচা অনী অহুম মহাক্কী মনাক্তা চত্তুনা শাজেল তৌবা তম্বা চৎখি। ৱারেংজরিবা ইশামকসু এথলেটিক্সকী ৱেট ত্রেনিং তৌদুনা হায়জম্প চোঙবগী ষ্ট্রেঙথ অমসুং এক্সপ্লোসিভ পৱার হেনগৎনবা হপ্তা অমদা অনীরক চৎপগী খুদোংচাবা ফংখি। মসিগী মমাঙদা জোনষ্টোন স্কুলগী মমাঙদা লৈরম্বা জনাটা ফার্মাসি ফমল্লম্বা হৱাইবম বিজয়গী জিমদা মরক মরক্তা চৎলম্মী। মহাক্লা কোলেজ হেক তম্লকপদগী মপান লৈবাকশিংদা ফোঙবা মরুওইনা অমেরিকাদা ফোঙবা শাজেল তৌবগী মেগাজিনশিং থাগী ওইনা অৱাং দুকানগী পী সী জ্যেন্দগী লৈদুনা পাই অমদি মেগাজিন্দা য়াওরিবা ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং অদু নিংথিনা পাদুনা মশাগী ফীভম অমদি মহাক্কী মপাঙ্গলগা চান্নবা য়োৎকী অরূম্বা, রিপিটিসন অমদি সেটশিং অদু শেমদোক্তুনা শাজেল তৌই।

কুমজা ১৯৭৭তা মহাক্লা অম্ব্রাবতিদা মহৈ তম্লিঙৈদা নেসনল অর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ ইন্দিয়াগী অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবদা মহাক্লা বেন্টাম ৱেটতা শরুক য়াখিবদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা লুপাগী মেদল ফংদুনা মণিপুর মচাশিংগী মনুংদা অর্ম রেষ্টলিংদা নেসনলগী থাক্তা মেদল ফংবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোয় ওইখি। চহী অদুমক্তদা মহাক্লা হায়দ্রবাদতা পাঙথোকখিবা নেসনল পৱারলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা মহারাষ্ট্রগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুবদা অহুমশুবা মনা ফংখি। চহী অদুমক্তদা মিষ্টর অম্ব্রাবতি (অনেম্বা গ্রুপকী বেন্টাম ৱেটতা) টাইটল লৌখি।

মহাক্লা অম্ব্রাবতিদগী থোরক্লবা মতুংদা শান্নবদা থৱায় য়াওবা মীওইশিং খোমজিন্দুনা মণিপুর অর্ম রেষ্টলিং এসোসিএসন শেমদুনা মহাক্কী লৈকায়দা লৈবা স্কুল অমদা অহানবা মণিপুর অর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা মশা ফবা, অরূম্বা থাঙ্গৎপা শান্নরোয়খক্তা নত্তনা মখূৎনা থবক শূবা শিন্মীশিং, মপাম্বোম কনবশিংসু শরুক য়াখি। চেম্পিয়নশিপ অদুগীদমক মঙলেম্না উ শূবা অমদি য়োৎ শুবশিংদা অর্ম রেষ্টলিং তৌবদা শীজিন্নগদবা খূৎপায়ফম য়াওবা টেবল অদু অহানবা ওইনা শাহনবদা মতম কয়ামুক চঙখি। অহানবা চেম্পিয়নশিপ অদু মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা মতুংদা মথং তারকপদা লৈশাংথেম লৈকায়গী মান্দপ অমসুং শিংজমৈ গর্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলনচিংবদা মথং মথং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা হৌখি অমদি মায় পাকপা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা ৱর্ল্ড অর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারদুনা মেদল ফংলকখ্রে।

মহাক্লা মণিপুরদা হৌদোকখিবা হায়বদি মণিপুরদা পুশিল্লক্তুনা মীয়ামদা শান্নহনখিবা অতোপ্পা মশান্না অমদি ষ্ট্রেঙথ লিফটিংনি। শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায়গী য়াৱা হায়না খঙনবা য়ুথ এমেচর ৱেলফেয়ের এসোসিএসনগী ওফিসতা মীয়ামগী ওইবা মীটিং অমা তৌরগা শেমখিবা মণিপুর ষ্ট্রেঙথ লিফটিং এসোসিএসন অদুদা শরুক য়ারিবা মেম্বরশিং অদুনা মঙলেম্বু সেক্রেটরি ওইনা খনখি অমদি ৱারেংজরিবা ঐঙোন্দা প্রসিদেন্টকী মথৌ পীবিখি। এসোসিএসন অসি কুমজা ১৯৮৯গী মার্চ ১দা ইন্দিয়ন ষ্ট্রেঙথ লিফটিং ফেদরেসন্দা এফিলিয়েট তৌখি। অহানবা মণিপুর ষ্ট্রেঙথ লিফটিং কম্পিটিসন শিংজমৈ গর্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখি অমদি লমদম অসিগী শান্নরোয়শিং নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা হৌখি। অসুম্না মঙলেমনা মশান্নশিং অসি চাওখৎনবা হোৎনরিঙৈদা মণিপুর লৈঙাক্লা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা থবক তৌবা মীওইশিংনা শান্নবগী এসোসিএসন অমত্তদা ফম পায়বা য়ারোই হায়বা চেরোল অমা থোরকপদগী মহাক্কী থৱায় য়াওনা লীংখৎচরম্বা লূপ অনী অসিদগী লাপথোকখি। অদুবু মশান্না অনী অসি মণিপুরদা পাম্নবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়ননা ঐখোয়না অমদি লমদম অসিনা মহাক্কী মমীং অসুমক নীংশিংদুনা লৈরগনি।

মহাক্লা শান্ন-খোৎনবগী হীরম কয়াদা থৱায় হকচাং য়াওনা কৎথোক্তুনা চাওখৎনবা হোৎনরিবশিং অসিবু মায় পাক্লবা মহাক্কী মপাঙ্গল মথৌনা হাপ্তুনা মপূক্লিং থৌগৎপীদুনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবশিংগী মনুংদা মহাক্কী লোয়নবী লাইশ্রম নিংঙোল দসুমতিসু অমনি, ক্বাকৈথেলদগীনি। থবক্তগী পোথারবি অসিনা মচানুপা অনী, মচানুপী অনী চাউনবা হোৎনরকখিবা অমদি মহৈ মশীন তম্নবা হোৎনরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবীনি। মহাক্লা (মঙলেম) লৈখিদবা অসি ঐখোয়গী অৱাবা অমা ওইরবসু মহাক্লা লমদম অসিদা শান্নবগী লম্‌দা তৌরম্বা থবকশিং অদুদি মতম কুইনগী ওইনা নীংশিংদুনা লৈরগনি।



# লমখাংদা পুন্সি লোমখিবদি...-১

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

*লাই* ফাওবনা পোকঙমদ্রবা মপোকনি হায়নরিবা পুন্সিনা পন্থুং য়ৌবা ঙমদনা লমখাংদা কেনখিবদি কনাগী মরালনি হায়রসিগে, থম্মোয় শোক্তবা ঙমদেদো। অসিগুম্বা লমখাংদা কেনখিবা পুন্সি কয়া ঐখোয় খুদিংমক্লা উরি, তারি লেপ্পা লৈতনা ইরমদম কংলৈপাকসিদা। পোকঙমদ্রবা পুন্সিনা অমুক পোকপসিদা পুন্সিগী পোন্থা কয়া পাঙথোক্লমদুনা পুন্সিগী পন্থুং য়ৌনা মপূ মহাক্কী মফমদা অমুক হনখিবদি লাইবক য়াম্না ফবনি হায়জনীংই। তম্বা ঙমদে ঙসিগী পুন্সিসিদা ঐখোয় খুদিংমক পুন্সিগী পন্থুং য়ৌবা ঙমগদ্রা নৎত্রগা য়ৌবা ঙমদনা লমখাংদা অদুমক কেনখিগদ্রা হায়বা, মরুওইনা ইরমদম কংলৈপাকসিদা।




Me chemotherapy

ঙসিগী মেদিকেল সাইন্স, দাইট, ন্যুত্রিসন অমদি হকচাং শাজেল তৌবগী মায়কৈদা, লম্‌দা অসুক্কী মতিক চাওখৎতুনা মালেমগী মফম অয়াম্বদা মীওইবা অমনা হিংবগী মতমসি হেন্না হেন্না শাংনরবা মতমসিদা ইরমদম কংলৈপাক্তদি ওন্ন-তৈননা থোকপগুম উরি। পুন্সিনা হেন্না শাংনা হিংবগী মহুত্তা পুন্সি কয়া অমা লমখাংদা কেন্দুনা মাঙলে। মসিদি লায়বক য়াম্না থীবনি। অসুম্না পুন্সিনা লমখাংদা কেনখিবগী মরম কয়া অমদি লৈখ্রে। খুদম ওইনা খরা পঞ্জরবদা- ফেক এনকাউন্টরদা লৈখিদবা, রোদ এক্সিদেন্টনচিংবদা লৈখিদবা অমদি লায়নানা নারক্তুনা কনবা ঙমদনা পুন্সি লোমখিবা অসিনচিংবনি। মতাংসিদা ঐহাক্লা ময়ামদা থমজনীংলম্বা হীরমদি অরোইবগী লায়নানা মরম ওইদুনা পুন্সিনা মফম মতম চাদনা ঙন্তানা পুন্সি লোমখিবদুনি। লায়নানা নারকপা হায়বসিদি ফেক এনকাউন্টর অমদি এক্সিদেন্টগুম্বদা পুন্সি লোমখিবগা মান্নদে, হায়বদি লায়নানা নারবা মীওই অমবু কনবগী মতম ফংই অদুগা এক্সিদেন্ট অমদি ফেক এনকাউন্টরগুম্বদদি পুন্সি অমবু কনবগী মতমদো ফংদে। অদুবু লায়বক থীবদি, লায়েংদুনা কনবগী মতম ফংনা ফংনা ইরৈচা কয়া অমদি লায়েংবা ঙমদনা নৎত্রগা লায়েংবীদবনা লায়নাদুদগী কনবা ঙমদনা মফম মতম চাদনা পুন্সিগী পন্থুং য়ৌবা ঙমদনা লমখাংদা কেনখিবা লেপত্রি, অৱাবনি।

করিগীনো অসুক য়াম্না চাওখৎলবা মতমসিদা, হায়বদি লায়না খুদিংমক্তগী (লায়না অমা অনীখক নত্তনা) লায়েংদুনা কনবা ঙম্লবা মতমসিদা ইরমদমগী মীওই কয়ানা লায়না কয়াগী খয়াত্তা তাদুনা লায়েংবা ঙমদনা পুন্সি লোমখিবা। মসিগী মরুওইবা মরমদি ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা হেলথ ইন্সুরেন্স, ফ্রী মেদিক্যের সিষ্টেম অমদি মতিক চাবা খূৎশু খূৎলায়শিং অদুগা অতোপ্পা মফমদা চত্তুনা লায়েংজনবগী শেল-থুম লৈজদবা অসিনচিংবা অসিনা অচৌবা মরমশিং ওইরি হায়না থমজগে। য়েংবীয়ু য়ূমদা নৎত্রগা লায়েংশঙ অমদা হেক্তা কনাগুম্বা লৈখিদবা পুন্সি অমদা। মথক্তা পঞ্জখিবা মরমশিং অসিগী মনুংদা অমা অদুম ওইরমগনি পুন্সি লোমখিবগী মরম। খুদম অমা পঞ্জরবদা, জেনিমসকী অঙাংশিংগী ৱার্দতা নর্স ইন-চার্জ ওইনা থবক তৌবিরিবী ঐহাক্কী মরুপ অমগী ফেবকুম একাউন্টতা য়াম্না তোয়না উবা ঙম্মী, য়াম্না নুংঙাইতবা নৌজরিবী, নৌজরিবা পুন্সিগী খোঙচৎ হৌজরকপদা ঙাইরিবা অঙাং কয়া মনুং মতম চাদনা কেন্সরনা নাদুনা পুন্সি লোমখিবা। অসুক নৌরিবা পুন্সিশিং অসিবু করিগী কনবা ঙমদ্রিবনো হায়বা ৱাহংগী পাউখুমদি - অঙাংশিং অসিগী ইমুং মনুংনা শেল লৈজদদুনা অফবা, খূৎশু খূৎলায় শুনা লৈবা মফমশিংদা মখোয়বু পুবিদুনা লায়েংবা ঙমজদবা অসিনি। করি উপাইদি লৈরি। মখোয় মখোয়গী অসুক নুংশিখ্রবা পোকচবা মচাশিংবু মমা-মপা ওইরিবা মখোয়গী মীৎমাংমক্তদা অশিবা কৌবা লাইনা লমখাঙদা মুন্দুনা পুখিবদি করম্না খাঙলমগনি কায়না মৈচাক্কী অৱাবশিংদো। ইচা মরিগী মপা অমা ওইনা খল্লুবদা থম্মোয় শোক্তবা ঙমদেদো। মসি কেন্সর লায়নানা নাবা মীওইখক্তগী ৱারী নত্তে, অতোপ্পা লায়নানা নারবা পুন্সি কয়াগী ৱাফমসুনি। লিভর নাদুনা লায়েংবা ঙমদনা লৈখিদবা পুন্সি কয়াগী ৱারীসু তারি, উরি ঐখোয় খুদিংমক্লা লেপ্পা লৈতনা।

খুদিংমক অসি থোক্লমদবসু য়াবনি করিগুম্বা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা অফবা সোসল ৱেলফেয়ের লৈরম্লবদি, হায়বদি কম্পলসরি হেলথ ইন্সুরেন্স, ফ্রী মেদিক্যের সিষ্টেম অমদি ফ্রী মেদিসিন্নচিংবা পীবিরবদি। মসিমক লৈরম্বনা লমখাংদা কেনখিগদবা, লোমখিগদবা কেন্সরনা নারবা ঐহাক্কী পুন্সিবুসু কনবীদুনা ঙসি ঐহাক অনৌবা পুন্সি অমমুক ফংদুনা অনৌবা মঙলানগা লোয়ননা ঐহাক্কী পুন্সিগী অনৌবা খোঙচৎ চত্থবা ঙম্লি। করিগুম্বা টাইৱান্দসু ইরমদমগী অসুম্না হেলথ ইন্সুরেন্স অমদি ফ্রী মেদিক্যের সিষ্টেম অনীমক লৈরমদ্রবদি নৎত্রগা করিগুম্বা ঐহাক্লা ইরমদম কংলৈপাকসিদা লৈরম্বা থোক্লবদি শেল-থুম লৈজদবনা ঐহাক্কী পুন্সি কনবা ঙমদনা লমখাংদা লোম্লম্বা য়ারিবনি। অদুবু লাইবক ফবা হায়বা তারে হেলথ ইন্সুরেন্সল অমদি ফ্রী মেদিক্যের সিষ্টেম অমদি ফ্রী মেদিসিন লৈরম্বনা লমদম অসিনা ঐহাকপু তমথীরবা কেন্সর হায়রিবা লায়না অসিদগী কনবিরে। অদুবু ঐহাক্কুম লাইবক ফবসি ইরমদমগী মীওই কয়াদসু ফংবা ঙম্লবদি ঐহাক্লা কয়াদা নুংঙাইজগদবা। অদুবু অৱাবনি, খঞ্জরুবতা মঙাইরে। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি হেলথ ইন্সুরেন্স লৈবা মীওইদি অসুক্কী মতিক মশীং য়াম্লগ্নোই ইরমদম কংলৈপাক্তদি। মখোয় অদুদি শেল য়াম্না থোকপা অমদি শেঞ্জাও পায়বা কাঙবু খক্তনি। অয়াম্বা মীচম মীয়ামদি হেলথ ইন্সুরেন্স য়াওবা ঙম্বগী উপায়দু শুকলৈ লৈতে মরমদি লৈঙাক্লা মতেং পীবিদবনা।

টাইৱান্দা মীপূম খুদিংমক হেলথ ইন্সুরেন্স লৈ, য়াওই। মখোয়না শেল খরা থা খুদিং পীখৎলগা অতোপ্পা ৱাৎহৌবা শেলনা লৈঙাক্লা পীখৎতুনা মপূং ফাবা হেলথ ইন্সুরেন্স ওইহল্লি। মসিগী লৈঙাক্কী মতেং অসি লৈতবনা ইরমদম কংলৈপাক্তদি মীওই চাদা হিংগদ্রা, চাদা হায়বদি য়াররোই, লিশীংদা হায়বনা ফরনি মীওই কয়াবু হেলথ ইন্সুরেন্স য়াওবা ঙম্লিবগে। লৈঙাক্কী মতেং য়াওদনা মীচম মীয়াম্না হেলথ ইন্সুরেন্স লৈবা ঙম্লোই। অসিগুম্বা অফবা সোসল ৱেলফেয়ের লৈবা হায়বসি কংলৈপাক খক্তনা তৌবসু য়ারোই ইন্দিয়াগী ওইনা তৌগদবা হীরম অমা ওইগনি। অদুবু অৱাবদি ইন্দিয়া হায়রিবা লৈপাক অসিদসু হেলথ ইন্সুরেন্স মীওই লিশীং অমগী মনুংদা মীওই কয়া হেলথ ইন্সুরেন্স লৈবা ঙম্বগে। মীওই অমা অনীফাও শুরমদবা য়াই হায়না খল্লি, হায়বদি হেলথ ইন্সুরেন্স অসি মীওই অয়াম্বনা পায়দে হায়বনি। মরম অসিননি মীওই কয়ানা লমখাংদা পুন্সি লোম্লিবা।



Radiation Therapy

হৌজিক হৌজিক চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ হায়না লৈরিবা অসিগী কার্দ লৈবা মীওইশিংনা লুপা লাক্ষ ৫ ফাওবা ফংবা য়াই হায়না তাই, মসি য়াম্না ফৈ। অদুবু শেনফম অসিনা করিবু তৌবা ঙমগদৌরিবনো কেন্সরনা নৎত্রগা লিভর নারবা মীওই অমদা। কেন্সর লায়নানা নারবা মীওই অমা লায়েংবা হায়বসি লুপা লাক্ষ লাক্ষ চঙগদৌরিবনি । সী এমগী হকশেলগী শেনফমসিদি মীং চনশিনবা, টেষ্ট তৌবা, দাইগ্নোস তৌবদা অদুম লোইখ্রগনি। অদুগী মখা তারকপদদি কমদৌবা। হোয় মরুপ মপাংশিংনা, লৈকায়না অমদি সী এস ও খরনা মতেং পাংলকপা য়াই। অদুবু মখোয়গী মতেং অসিনদি পুন্সি কনবা ঙম্লোই। অসুম্না কেন্সরনা নারবা মীওই কয়া মীয়াম্না অমদি সী এস ও খরনা মতেং পাংদুনা লায়েংবা পুখৎলকখিবা অনাবা কয়া কনবা ঙমদনা অদুম চৎখিবা ঙাক্তনি। কনবমক ঙমহৌদ্রবসু মখোয়গী মতেং অসিদি অসুক্কী মতিক থাগৎনীংঙাইনি, হায়বদি ইমুংশিংদুদা মতেং ওইরি লোয়ননা মখোয়বু নুংশিবীবা মীওই কয়া লৈরি হায়বা ৱাখল খনবা ঙমহনবীরি। মখোয়গী মতেং নৎত্রবদি নুংশিবা মচা-মশুশিং অসিনা চৎখিবগী কায়না মৈচাক্কী মথক্তা ঐখোয়গীদি কনাসু লৈতে হায়বা য়াম্না পূক্লিং শোন্থবগী ৱাখল্লোনদু পোকহনগদৌরিবনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।